**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-11-2024)**

**বন্দ (এল)ঃ** মনিপুরগী ঙমখৈ জিলা-জিরিবামদগী মীচম খরা ফাজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু তেক্ত কায়দনা থাদোরকবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দাবী তৌরদ্না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক্তগী কৌখিবা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দ হৌজিক চথুরি।

হায়রিবা টোটেল সটদাউন্দ অসি তোঙান তোঙানবা লুপ ১৩ না কৌবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা হায়রি-জিরিবাম জিলাগী বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈরিবা জাকুরাধোরদা হাংবা রিলিফ কেম্প মনাক্তা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা অকনবা মওংদা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সেক্যুরিতিনা খুৎ হনবদা মীশি মীনা থোকখিবনি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং অদুনা পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফ. তমা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা হন্দুনা কাপ্পদা মীওই ১০ শিখিবনি। মখোয়দগী এ.কে. রাইফল অহুম, এস.এল.আর. মরি, ইনছার্স রাইফল অনি, আর.পি.জি. অমা, পম্প এক্সন নোংমৈ অমা, বুল্লেট প্রুব হেলমেট অমসুং মেগজিন ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং অদু শিখিবগা মরী লৈননা য়ানিংদবা ফোংদোরকপা লুপশিংগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা থাদোরকপা চেরোলশিংনা জাকুরাধোরদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মীওই ১০ শিখিবা অদু মীচম মীয়ামদা খুৎ থারকপদগী সেক্যুরিতিনা ঙাকথোকবা হোৎনবদা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সতা মরাল শিববু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**মরক অসিদা,** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা

মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। নেসনেল হায়ৱেশিংদা মাল পুবা গাড়িশিং ইম্ফাল তমা পুশিল্লকবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

**পরিক্ষা (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা লৌবা ঙসি পাঙথোক্কদবা পরিক্ষা খুদিংমক ৱৈথোক্লে হায়না য়ুনিভরসিতি অসিগী ইগজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা খঙহল্লক্লি।

**ঝরখন্দ ঃ** ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট হৌজিক থাদনরি। নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৩ দা ভোট থাদনগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-তাঙ্কক অসিগীদমক পুন্না পোল্লিং বুথ লিশিং ১৫,৩৪৪ হাংদোক্লি। মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী কম্পানি ২০০ হেন্না শিজিন্নরি। অদুমওইনমক, কেন্দ্র ৩১ গী ইরাং থোক্কনবা পোল্লিং বুথ ৯৫০ দদি ভোট থাদবগী মতম নুমিদাংৱাইরম পুং মরি ফাওবদং ওইগনি। ভোট কোতি অমা লাখ ৩৭ না নুপী মীরেপ ৭৩ য়াওনা পুন্না মীরেপ ৬৮৩ গী মরাইবক লেপকনি।

মরক অসিদা, থা অসিগ ২০ দা ভোট থাদনগদৌরিবা ঝরখন্দগী বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ অমসুং মহরাস্ত্রগী বিধান সভা কেন্দ্র ২৮৮ কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। ভোট মশিং থা অসিগী ২৩ দা থিগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বিহারগী দরবঙ্গাদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা যাত্রা হুনগনি খরগীনা শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১২,১০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্লগনি। রাজ্য অদুগী মরুওইবা হকশেলগী ইনফ্রাষ্টকচরশিং প্রধান মন্ত্রিনা যাত্রা হুনগনি। শ্রী মোদিনা দরবঙ্গাদা লুপা কোতি

লিশিং ১,২৬০ চংনা শাগদবা এইমসকী যাত্রা হুনগনি। মসিদা আয়ুস ব্লোক্কী সুপর স্পিসিয়েলিতি হোস্পিতাল, মেদিকেল কলেজ, নর্সিং কলেজ, নাইট সেলটর অমসুং রেসিদেন্সিয়েলগী খুদোংচাবনচিংবা য়াওরি। মসিনা বিহারগী মীয়াম অমসুং রাজ্য অসিগী অনকপদা লৈবা মীওইশিংদা হকশেলগী লমদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৫,০৭০ গী তোঙান তোঙানবা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি খরগীনা শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১,৭৪০ গী রেলৱে প্রোজেক্টকী যাত্রাসু হুনগনি। শ্রী মোদিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রেলৱে ষ্টেসনশিংদা প্রধান মন্ত্রি ভারত্তিয়া জন ঔসাদি কেন্দ্র ১৮ জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্কনি।

**দিল্লিঃ** দিল্লি কস্টমসনা ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী মীওই অমদগী লুপা কোতি ২৯ গী মমল ওইগদবা হেরোইন কিলোগ্রাম তরেৎ ফারে।

কস্টমসনা হায়-মীওই অদু বেঙ্কোক্কী কোরালাম্পুরদগী তোঙান তোঙানবা পোলিথিন পেকেড তরেৎতা হেরোইন কিলোগ্রাম তরেৎ অদু হাপ্পুনা পুরকখিবনি। ফাগৎলবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথরি।

**রাস্পতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দৌপদি মুরমু, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা য়ুনিয়ন টেরিটোরি-দাদ্রা এন্দ নাগর হবেলি অমসুং দামন এন্দ দিয়ুদা লৈরি।

রাস্ত্রপতিনা সিলবাসাদা লৈবা নমো মেদিকেল এদুকেসন এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা চৎকনি। মফম অদুদা রাস্ত্রপতিনা ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোই অমদি ফেক্লতি মেম্বরশিংগা উন্নগনি। মদুগী তুংদা, শ্রীমতি মুরমুনা জন্দা চোপ স্কুল শঙ্গাগনি অমসুং মফম অদুদা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংগনি। দিয়ুগী আই.এন.এস. খুক্রি মেমোরিএলদসু চৎকনি। জন্দা স্কুল এদুকেসন হব অসি

লুপা কোতি ৭৬ চংনা শাবনি। মসিদা মহৈরোই লিশিং ১২ রোম মহৈ তন্বা ফংলগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, লৈবাক অহুমগী খোঙচৎতা থা অসিগী ১৬ তা নাইজেরিয়া, ব্রাজিল অমসুং গোয়েনাদা চৎকনি। শ্রী মোদি, নাইজেরিয়াগী রাস্ত্রপতি-বোলা অহমদ তিনুবুনা লৈবাক অদুদা লাকবা বার্ত্তন তৌরকপদগী চৎকদবনি।

চহি ১৭ কী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা নাইজেরিয়াদা চৎপা অহানবা প্রধান মন্ত্রিনি। খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। প্রধান মন্ত্রিনা থা অসিগী ১৮ দা ব্রাজিলগী রিয়োদি জেনেরিওদা চৎকনি অমসুং গোয়ানাদনা থা অসিগী ১৯ দা চৎকনি।

**জয়শঙ্কর ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: জয়শঙ্করগা সাউদি অরাবিয়াগী ফোরেন এফিয়ার্স মন্ত্রি-প্রিন্স ফৈজল বিন ফরহান অল-সোদকা ঙসি ন্যু দিল্লিদা উন্নগনি। সাউদিগী মন্ত্রি অসি ঙরাং নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং ভারত্তা থুংলখিবনি।

ভারত অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা চহি চা কয়াদগী নাৎ-সংস্কৃত্তি, শেল থুমগী মরীদা মরুপ-মপাং ওইদুনা লাক্লি। ভারত অসি সাউদি অরাবিয়াগী অনিশুবা লল্লোন ইতিক্কী অনিশুবা মপাংনি।

**সিআইএসএফ ঃ** গৃহ মন্ত্রালয়না অহানবা ওইনা নুপীশিংগী ওইবা সি.আই.এস.এফকী বটালিয়ন অমা শেমগৎপদা অয়াবা পীখ্রে।

খোঙথাং অসি ৫৩ শুবা সি.আই.এস.এফ. নুমিৎতা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ফোংদোক্লম্বনি। অকাশবানি পাউমীনা হায়-মাহিলা বটালিয়ন অসিনা লৈবাক অসিগী নৌরিবা নুপীশিংনা সি.আই.এস.এফতা চংল্লকপদা পুকিং থৌগৎকনি। বটালিয়ন অসিদা নৌনা চংল্লকপা পার্সোনেলশিং ত্রেন্নিং পীবগী

থবকসু হৌখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা-জিরিবামদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা ফাখিবা, লুপ ১৩ না পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখিবা অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল অমসুং গৃহ মন্ত্রালয়গা সেনাপতিদা থা অসিগী ২৯ দা ৱারী শান্নরগনি হায়বগী পাউ তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-বোড়োবেক্রাদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা গাড়ি য়াওনা মীতৈগী য়ুম ১৬ মৈ থাদোক্লল্লে, অহল অনি কাপ্পুনা হাৎলল্লে, অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক ফাখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-জিরিদা ফাখিবা ১০ গী মনুংদা অনি শিরল্লে, অনিনা কনবা ঙমখ্রে হায়বা পাউ বেনর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পোকফম, মনিপুর ন্যুজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, পিপল ক্রোনিকলদসু তোঙানবা তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-আর্মদ মিলিটেন্ট ১০ গী অশিবা হকচাং অফবা মখলগী খুৎলায়শিংগা লোয়ননা ফংখিবনি হায়না আই.জি.পি-আই.কে. মুইবানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা-জিরিবামদা মাঙখিবশিং কন্নবা অসাম রাইফলস, সি.আর.পি.এফ, পুলিসনা সর্চ্ছ ওপরেসন হৌখ্রে, ফংদ্রিবা ফাওবা থিগনি হায়না আই.জি. জয়েন্তানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-সেক্যুরিতিদা এটেক চথরক্লবদি খুদক্তা খুৎ থারগনি হায়না আই.জি.পিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি

ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিয়ু মেলদা-রাজ্য সরকার অমসুং কেন্দ্র সরকারগা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগা থা অসিগী ২৯ দা ৱারী শান্নরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তোঙান তোঙানবা লুপ ১৩ না পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তনা-লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদবা উৎতুনা লুপ ১৩ না কৌখিবা পুং ২৪ গী সটদাউন্দ হৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাই পীরি।

শওন্নুংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা ময়ুমদা হঞ্জন-হনবীরো হায়না ৱাকৎ মীফম চথখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লৌফম নকা শাজিল্লিবা কুকিগী বঙ্করশিং অথুবা মতমদা লৌথোকপীয়ু হায়না পুখাউ নহারুপ তেরাপুর মমাং লৌকোলগী মনাক নকপদা লৈবা লৌমীশিংনা ফোংদোরকপা ৱাফম মনিপুর ন্যুজকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন, কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী ভোলুন্টিয়ারশিংনা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা দ্রাইব চথখ্রে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অহানবা লামাইদা ফোংলি।